# এসিয়ন গেমসকী ৬ নি শুবা নুমিৎতা নুপাগী রোৱিং অমসুং টেন্নিসকী দবলসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড ২ হাপচিনখ্রে, নুপীগী কবাদ্দিদনা সিলভর লৌখ্রে, ব্রোঞ্জ ৪ অমসু লৌবা ঙমখ্রে

18th ASIAN GAMES
Jakarta Palembang 2018



রোৱিংগী নুপাগী ক্বাড্রুপল স্কলসতা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী রোৱরশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

জকরতা/পালেম্বাং, ওগষ্ট ২৪ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী এসিয়ন গেমস কনটিনজেন্টনা মেদল ফংলক্কনি হায়না অচৌবা মঙলান মঙখিদবা দিসিপ্লিন অমা ওইখিবা রোৱিংগী ইভেন্ট অমদা নুপাগী ক্বাড্রুপল স্কলস টিমনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। টেন্নিসকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী টিমনা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা লৈবাক অসিগী গোল্ড মেদল অমগসু হাপচিনবা ঙমখ্রে। অদুগা কবাদ্দিদা সিলভর অমা লোয়নননা শুটিং অমসুং রোৱিংদা ব্রোঞ্জ মেদল ৪ হাপচিল্লগা ঙসি তরুকনিশুবা এসিয়ন গেমসকী শান্নবা লোইশিন-খিবদা ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ হাপচিল্লগা পূন্না মেদল ৭ ফংখ্রে।

এসিয়ন গেমসকী রোৱিং দিসিপ্লিনগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ক্বাড্রুপল স্কলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী রোৱর মরি সাৱর্ন সিংহ, দাতু বাবন ভোকানল, ওম প্রকাশ অমসুং সুকমিট সিংহনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। রোৱিং দিসিপ্লিন অদুগী নুপাগী লাইটৱেট সিঙ্গলস স্কলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রোৱর দুসিয়ন্ট চৌহাননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা দিসিপ্লিন অদুগী নুপাগী লাইটৱেট দবল স্কলসতা ইন্দিয়াগী রোহিৎ কুমার অমসুং ভাগৱন সিংহসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

টেন্নিস দিসিপ্লিনগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী প্যেৰ এসিয়ন গেমস অসিদা মকোক থোংবা প্যেৰ ওইখিব রোহন ভোপানা অমসুং দিবিস সারনগী প্যেরনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কজাখষ্টানগী প্যেৰ অলেক্সেন্দৰ বুল্লিক অমদি দেনিস য়েবসেয়েবপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সেট ইন্দিয়াগী প্যেৰ অদুনা কজাখষ্টানগী প্যেৰ অদুগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা কজাখষ্টানগী প্যেৰ অদুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মায়কৈদগী গেম মরিখক মায় পাকপা ঙমখিবা অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী ভোপানা অমসুং সারননা গেম ৬ থোইবা হানখিবদগী ফাইনেল অদু শুপ্নগী মিনিট ৫২ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টেন্নিসকী গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই, নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা ঙরাং চাইনাগী শান্নরোয় স্বাইগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।



এসিয়ন গেমস ২০১৮ গী নুপাগী টেন্নিসকী দবলসতা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ভোপানা অমসুং দিবিস সারন

কবাদ্দিগী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী টিমবু ইরাননা মায়থীবা পীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখিবনি। এসিয়ন গেমসকী হৌখিবা ইদিসন অনীগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী কবাদ্দি টিম অদুবু ইরানগী টিমনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা য়াম্না অকন্নবা লন্বা পীদুনা পোইন্ট ২৭-২৪ দা থোইরগা ইন্দিয়াগী টিম অদু সিলভর ফংহৌবনি। পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপাগী কবাদ্দি টিমসু ঙরাং ইরানগী মখূৎতা সেমি ফাইনেলদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

শুটিংগী দিসিপ্লিনদা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর হিনা সিধু ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখিবী মনু ভাকর মেদল ফংবা ঙমদনা লৈহৌখি। জাকাবরিং শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শুটর হিনা সিধু অমসুং মনু ভাকর ক্বালিফাই ওইদুনা লাকখি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দ অদুগী মখা তাবা কম্পিটিসনদা মনু ভাকর লৈহৌরগা হিনা সিধুনা ফজদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবগী খুদোংচাবা অদু লৌখিবনি।

মহাক্না অরোইবা রাউন্দদা পোইন্ট ৯.৬ ফংলগা অপূনবা স্কোর ২১৯.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল অদু লৌখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদু চাইনাগী শুটর ৱাং কিয়াননা অনৌবা এসিয়ন গেমসকী রেকোর্দ অমা থমদুনা পোইন্ট ২৪০.৩ ফংলগা লৌখি। অদুগা সিলভর মেদল অদুনা সাউথ কোরিয়াগী শুটর কিম মিন জুংনা অপূনবা পোইন্ট ২৩৭.৬ ফংলগা লৌখি।

### হোক্কী

নুপাগী হোক্কী কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদলগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়নননা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী টিমনা ঙসি জপানগী টিমবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইবা ঙমখি। গ্রুপ ষ্টেজ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা মেচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল য়াৎতুনা থমখি।

পনবা য়াই, টিম অসিনা গ্রুপ ষ্টেজকী অহানবা মেচতা য়ূম্ন্নু ইন্দোনে-সিয়াবু পাঞ্জল ১৭-০ দা থোইখিবনি। মদুগী মতুং হোং কোংবু পাঞ্জল ২৬-০ দা থোইরগা ইন্দিয়াগী হোক্কী পুৱারীদা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি। ঙসিগী মেচ অদুদসু জপানগী টিমবু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা হীরম খুদিংমক্তা খুদুম চন্দুনা শান্নবদগী পাঞ্জল ৮-০ দা থোইবা ঙমখিবনি। মথংগী রাউন্দদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াগা লন্বা তৌনরগনি।

### বোক্সিং

গোল্ড মেদল মশীং পাবদা য়াওরিবা দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা বোক্সিংগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫২ গী ফ্লাইৱেট কেটিগরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব সোলানকি জপানগী বোক্সর টনাকাগী মখূৎতা ০-৫ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি। অমরোমদা কেজি ৬৯ গী ৱেল্টরৱেটকী কাঙলুপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনোজ কুমারনা ঙসি ভুটানগী বোক্সর ৱাংদিবু পোইন্ট ৫-০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা থা অসিগী ২৬ তা কিরগিষ্টানগী বোক্সর অবদুরাক মানোবকা লন্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাঙলুপতা কেজি ৫১ গী ফ্লাইৱেট কেটিগরিদা শরুক য়ারিবী মণিপুরদগী হৌখিবী সর্জুবলানা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা টাজিকিষ্টানগী বোক্সর গাফোরোভাগা থা অসিগী ২৬ তা লন্বা তৌনরগনি। কেজি ৬০ গী লাইটৱেট কেটিগরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পবিত্রনা হয়েং প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা পাকিষ্টানগী বোক্সর পরবিনগা থেংনগনি। অদুগা কেজি ৫৭ কী ফেদরৱেটতা শরুক য়ারিবী সোনিয়া লাথরনা প্রী ক্বার্টর বাই ফংলবা মতুং থা অসিগী ২৮ দা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর এস ঐচ জোগা থেংনগনি।

### বেদমিন্টন

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় শ্রীকান্থ অমসুং প্রনোই অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলসতা পি বি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মায় পাক্তুনা হয়েং প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় অনীগা তোঙান তোঙানবা লন্বা তৌনগদৌরি। নুপীগী দবলসতা অশ্বিনি পোনাপা অমসুং সিকিরেদ্দি ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী টিমগা লন্বা তৌনগনি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী প্যেৰ অনী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা হয়েং সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাগী প্যেরগা শান্নগদৌরি।



ইন্দিয়াগী টিম মায়থীবা পীদুনা নুপীগী কবাদ্দি গোল্ড ফংখ্রবা ইরানগী টিম



নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবী হিনা সিধু

## 2018 Asian Games Medal Tally

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 66 | 46 | 27 | 139 |
| 2 | Japan | 29 | 31 | 43 | 103 |
| 3 | South Korea | 23 | 26 | 29 | 78 |
| 4 | Iran | 12 | 11 | 8 | 31 |
| 5 | Indonesia | 9 | 9 | 14 | 32 |
| 6 | North Korea | 8 | 5 | 6 | 19 |
| 7 | Chinese Taipei | 6 | 7 | 12 | 25 |
| 8 | India | 6 | 5 | 14 | 25 |
| 9 | Thailand | 6 | 4 | 20 | 30 |
| 10 | Uzbekistan | 4 | 10 | 7 | 21 |
| 11 | Kazakhstan | 3 | 7 | 24 | 34 |
| 12 | Mongolia | 3 | 2 | 4 | 9 |
| 13 | Hong Kong | 2 | 5 | 12 | 19 |
| 14 | UAE | 2 | 3 | 0 | 5 |
| 15 | Singapore | 2 | 1 | 6 | 9 |
| 16 | Vietnam | 1 | 6 | 9 | 16 |
| 17 | Kyrgyzstan | 1 | 4 | 5 | 10 |
| 18 | Malaysia | 1 | 4 | 1 | 6 |
| 19 | Lebanon | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 20 | Macau | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 21 | Philippines | 1 | 0 | 6 | 7 |
| 22 | Jordan | 1 | 0 | 3 | 4 |
| 23 | Cambodia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 24 | Iraq | 1 | 0 | 0 | 1 |

১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৮ লোইশিনখ্রে

## পি ৱাই সী ফাইটোলনা মোকামলুং এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গৱর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌখিবা ওগষ্টকী ২৭ তগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা পি ৱাই সী ফাইটোলনা মোকামলুং এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল রঞ্জিৎ কুমার, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) গী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত অমসুং ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী দোনর ওইরিবা চান্দম বিরেননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং মোকামলুং এফ সী শান্নখি। মেচ অদু পি ৱাই সী ফাইটোলনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা মোকামলুং এফ সীনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফকী তংখায় চনবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা পি ৱাই সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ১১ লালদুলহ্নুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মোকামলুং এফ সীগী মায়কৈদগীসু পি ৱাই সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমতা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক চথুরকখি। অদুবু মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা অদু পি ৱাই সীগী অহানবা গোল চনখিবা লালদুলহ্নুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাফ লোইশিনবা মীৎকুপ ফাওবদা মোকামলুং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা লালদুলহ্নুনা চনখিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু পি ৱাই সীনা গোল ২-০ দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা মোকামলুং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা পি ৱাই সীনা অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অনী অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম য়াঙনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু পি ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু মোকামলুং এফ সীনা চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌদুনা ফজনা শান্নখি। মোকামলুং এফ সীগী চথুরকপা এটেক অমদা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৮ শৈথাংনা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মিনিট অদুমক্তদা পি ৱাই সীগী গোল অনী চনবা ঙমখিবা জর্সি নম্বর ১১ লালদুলহ্নুনা অহুমশুবা গোল চনশিল্লগা হেট-ট্রিক লৌদুনা মেচ অদু পি ৱাই সী ফাইটোলনা গোল ৩-০ দা চাওনা মাঙজিল থাখি।

পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী গোল ৩ মোকামলুং এফ সীগী মায়োক্তা চনখ্রবসু মোকামলুং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবা লৈতনা গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম তকখৎতুনা শান্নরকখি। পি ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু মোকামলুং এফ সীনা চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনখি। মেচকী ৬৯ শুবা মিনিটতা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৬ জিংগাওজিননা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনশিনখি। জিংগাওজিনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু পি ৱাই সী ফাইটোলনা গোল ৪-০ দা লৈহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মোকামলুং এফ সীগী মায়কৈদগী পি ৱাই সীগী গোলশিং অদু অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা ফাইনেল মেচ অদু মায়থীহৌখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা পি ৱাই সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ১১ লালদুলহ্নুনা বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটল ফংখি। মকোক মথং তাখ্রবা টিম শিংদা ট্রোফি অমদি শেলগী মনাশিং খূৎশিন্নখি।

## এ এম ৱাই সী ভোলিবোল শান্নরোয়শিংদা ৱাই এস এস য়ুনা স্পোর্টসকী দ্রেস খুদোল তমখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসিবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা য়ং ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ৱাই এস এস য়ু) অন্দ্রোনা স্পোন্সর তৌদুনা অন্দ্রো মচেংপাৎ য়ুথ ক্লব (এ এম ৱাই সী) অন্দ্রোগী ভোলিবোল শান্নরোয়শিংদা এ এম ৱাই সীগী কেম্পসতা ঙসি স্পোর্টসকী দ্রেসশিং খুদোল তমখ্রে।

শান্নরোয়শিংগী দ্রেস খুদোল তম্বগী থৌরম অদুদা ৱাই এস এস য়ুগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ শ্যামজাই অমদি এ এম ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ মঙালনা শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিংদা দ্রেসশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। দ্রেস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাই এস এস য়ুগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবগী অমসুং পূক্লিং থৌগৎনবগীদমক শান্ন-খোৎনবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসি খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা খূৎশিন্নবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com